নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট

# ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস এ পোইন্ট ২-২ ফংনরগা দ্রো চৎখ্রে, চাইনানা রেষ্ট ওফ ৱর্ল্ড থোইখ্রে, য়ুরোপ অমসুং রসিয়া দ্রো চৎখ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী):

মেগনস কার্লসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৩গী অথেংবদা লোইশিনখিবা ওনলাইনদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী য়াম্বা শেলগী মনা লৈবা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রবা মতুং ঙসিদগী ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসন্না শীন্দুনা টিমগী ওইবা ওনলাইনদা য়ু এস দোল্লর ১৮০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা নেসন্স টুর্নামেন্টগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম য়ু এস এগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ২-২ ফংনরগা দ্রো চৎখ্রে। চাইনাগী টিমনা রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী টিমবু পোইন্ট ৩-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা মতুং রসিয়া অমসুং য়ুরোপকী মেচ অদুসু পোইন্ট ২-২ ফংনরগা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসি ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭৫১দা লৈরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংখি। অদুগা মশামক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা রসিয়াগী ব্লাদিমির ক্রামনিকনা টিম অসিগী কন্সলটেন্ট ওইখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস এ লম্বা তৌনবদা অহানবা টেবলদা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দ অমসুং হন্দক্তা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টতা ফাইনেলদা মায়থীহৌবা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৮২৯ ফংলিবা গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরাগা লম্বা তৌনখি।

গেম অদু আনন্দনা অঙৌবা মচু পায়দুনা চথরকখিবা এটেক অদু নকামুরাগী মায়কৈদগী নিংথিনা লম্বা পীরক্তুনা ৪১শুবা মুভতা মায় পাকপা য়াবগী লম্বেল লৈনখিদবদগী দ্রো চৎপদা য়ানখি।

অনীশুবা টেবলদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর এস জি ভিদিদ অমসুং য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনা লম্বা তৌনখি। গেম অদু করোনানা অঙৌবা মচু পায়দুনা চথরকপা এটেক্তা ইন্দিয়াগী ভিদিদনা য়াম্না ফজনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নরকপদা করোনা অৱাবা অমা ওইখি।

মুভ ১১৯ ফাওবা শান্নরগা ফাবিয়ানো করোনানা খূৎলায় অমা হেনখিবদগী সন্তোস গুজরাথি ভিদিদ মায়থীবা নংখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পেন্টালা হরিকৃষ্ণননা অঙৌবা মচু পায়রগা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর পেরেজ দোমিনগেজগা শান্নরকপদা হরিকৃষ্ণগী মশান্না ফজবনা শুপ্নগী মুভ ৩২দা শান্নরোয় অনী দ্রো চৎপদা য়ানখি।

তশেংবদি গুজরাথি ভিদিদ অমসুং ফাবিয়ানো করোনাগী গেম অদুনা মতম শাংনা লৌখিবা মরম্না অতোপ্পা টেবল ৩দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী দ্রো চৎলবা মতুং টিম অদুদা শরুক য়ারিবা নুপীগী গ্রান্দমাষ্টর হম্পি কোরেনুনা য়ু এস এগী শান্নরোয় ইন্টরনেসনল মাষ্টর এ জাটোনস্কিবু মুভ ৪২দা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ২১দা মাঙজিল থাখিবা অদু গুজরাথি ভিদিদকী গেম অদু ঙাইরগা লৈখিবনি। করিগুম্বা মেচ অদু দ্রো চৎলম্লবদি ইন্দিয়ানা য়ু এস এ থোইরমগদবনি। অদুবু ভিদিদ গুজরাথি মায়থীবদগী লৈবাক অনী পোইন্ট ২-২দা মান্নরগা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা য়ুরোপকী টিম অমদি রসিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনবনি। রসিয়াগী মায়কৈদগী গ্রান্দমাষ্টর ভি আর্টিমেফ মায় পাকখি। অদুগা য়ুরোপকী মায়কৈদগীনা গ্রান্দমাষ্টর জে দুদা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১-১দা লৈখ্রবসু রসিয়াগী নেপোমনিয়াচি অমসুং য়ুরোপকী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা ফ্রান্সকী মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেব দ্রো চৎখিবা অমদি অতোপ্পা গেম অমদা য়ুরোপকী নুপীগী গ্রান্দমাষ্টর এ মুজিচুক অমসুং রসিয়াগী নুপী গ্রান্দমাষ্টর গোরিয়া কিন্নানা মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী পোইন্ট ২-২ ফংনরগা লৈবাক অনী দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা চাইনা অমসুং রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ড লম্বা তৌনখি। চাইনাগী মকোক থোংবা শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেন অহানবা রাউন্দ অদুদা শরুক য়াখিদে। লৈবাক অদুগী গ্রান্দমাষ্টর হাও ৱাংনা অহানবা গেম অদু রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী টি রাজাবোককা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গেমদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর য়ি ৱৈ অমসুং ইরানগী আলিরিজা ফিরোজানা রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী মায়কৈদগী শান্নরকপদা দ্রো চৎখি। অদুবু মেচ অদুগী অহুমশুবা গেমদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর য়াংগি য়ুনা রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী বাসিম আমিনবু থোইদুনা পোইন্ট ২-১দা মাঙজিল থাখি।

মরিশুবা গেমদা চাইনাগী নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী থাক্তা লৈরম্লবী ৱিমেন গ্রান্দমাষ্টর য়িফান হৌনা রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী য়ুক্রেনগী শান্নরোয় ৱিমেন গ্রান্দমাষ্টর এম মুজিচুকপু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩-১দা চাইনানা রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী টিম অদুবু থোইরগা অহানবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা চাইনানা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

হয়েং অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়ানা রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগা লম্বা তৌনগনি। মদুদা ভিদিদ গুজরাথিগী মহুত্তা বি অদিবন শরুক য়াগনি।

# ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্দা এথলেট অমসুং কোচশিংগী মায়কৈদগী ত্রেনিং মখা তানা চথনবগী মতাংদা ফিদবেক কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী):

মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শান্নবগী লম্দা পীরিবা চৈথেং অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা এথলেটশিং লোয়ননা কোচশিংগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা শান্নবগী ইভেন্টশিংদা ত্রেনিং মখা তানা চথনবগী মতাংদা মখোয় মখোয়গী মায়কৈদগী ফিদবেক কৌখ্রে।

মালেমগী লৈবাক অয়াম্বা লোকদাউন লৈখিবা মরম্না শান্নবগী ইভেন্টশিং লেপ্তুনা লৈরিবনি। মরুওইনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ইভেন্টশিং য়ৈথোকপা অমদি তোকপা কয়া য়াওখ্রে।

পনবা য়াবদা, চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি, টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমসুং জপান লৈঙাক্কী মরক্তা অয়াবা পুরক্লগা ৱারেপ লৌখি।

মসিদসু নত্তনা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংগী মনুংদা টেনিসকী গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেন্স ওপন সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারি। ৱিম্বলদন অমসুং য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট পাঙথোকপগী মতম লেপ্পা ঙমদনা হৌজিক ফাওবা লৈরি। পাঙথোকপা য়ারোইদবগী ফীভমসু লাক্কনি হায়না থাজনরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা লৈঙাক্না লোকদাউনগী মতম অসি তাঙ্কক অহুম থোক্লা শাংদোরকপদগী চৎলিবা থা অসিগী ১৭ ফাওবা অহুম্লকশুবা ওইনা লোকদাউন থম্লকখি। ফীভম অসিগী মতাংদা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমসুং ষ্টেট ওলিম্পিক এসোসিএসনশিংগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিং ওইরিবা শান্নরোয়শিং, কোচশিং, সপোর্ট ষ্টাফ, সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রিশিং, মেচ ওফিসলশিং অমসুং স্পোর্টস এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগী মায়কৈদগী ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না ঙসি শান্নরোয়শিংনা করম্বা মতমদা অমদি করম্না মখোয় মখোয়গী ত্রেনিংশিং অদু মখা তানা চথবা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা ফিদবেকশিং পীখৎলক্কবা খঙহল্লক্লি।

পনবা য়াবদি, লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা খন্নরগা ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইভেন্টশিংগী শান্নরোয়শিং অথুবা মতমদা ত্রেনিং মখা তানা চথনবগী ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

অদুবু অহুম্লকশুবগী ওইনা লোকদাউন শাংদোরকপা অসিনা মরম ওইরগা মাঙজৌননা লেপ্নখিবা ত্রেনিং হৌবগী মতম অদু ফাইনেল ওইবা য়াদবা মরম্মা তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মায়কৈদগী আই ও সীনা মখোয়গী মায়কৈদগী ওইবা ৱাফমশিং অদু পীখৎলক্কবা খঙহল্লকপনি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রেসিদেন্ট ওইরিবা অমদি ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগীসু মকোক ওইরিবা নরিন্দর বত্রগী মখাদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মায়কৈদা আই ও এগী মায়কৈদগী ক্বেসিনিয়র কয়া অমা পাউখুম পীরক্কবা খঙহনখি। হায়রিবা পাউখুমশিং অদুদগী ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না হ্বাইট পেপর অমা শেম্লগা শান্নরোয়শিং অসিনা করম্বা মতমদগী ত্রেনিং মখা চথবা য়াগদগে হায়বগী অরোইবা ৱারেপ অমা লৌননবা শীল্লি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী ত্রেনিংগী ফীভম মতোন লোমদ্রিবঙৈদা ইন্দিয়াদা লোকদাউন অসি লাউথোরকখিবনি। ত্রেনিংশিং অদু খুদক্তা লেপখিবা মরম্না শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিংগী ৱাখলদা থৌনা হন্থরকপগী ৱাফম অমা চাউনা লাক্লি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থম্লক্লিবা ৱাফমশিং অসিনা ৱারেপ লৌবা মতমদা ষ্টেকহোল্ডর পুম্নমক্কী মায়কৈদগী অপাম পামদা পুম্নমক মুন্না খঙদোক্লবা মতুং করম্বা মতমদা শান্নরোয়শিং অসি ত্রেনিং চথবা য়াগদৌরি। লোয়ননা কম্পিটিসন পাঙথোকপা য়ানবগী মতম অমসু লেপ্লনবগী ৱারেপ অদু ফিদবেকশিং অদুদগী লৌরক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদসু ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না থা অসিগী লোইশিল্লকপদা নেসনল কেম্পশিং অদু তাঙ্কক নাইনা নৌনা হাংদোক্কবা ৱাফম খন্নবা লৈখ্রে হায়রি।

অদুবু ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পব্লিক হেল্থ পোলিসিগী মায়কৈদা মতম মতমগী ওইনা শেম্লকপা গাইদ লাইনশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক পায়খৎকদৌরিবনি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন ১৮ অমসুং ষ্টেট ওলিম্পিক এসোসিএসন ১৬তা ষ্টেকহোল্ডরশিং অদুগী মায়কৈদগী ক্বেসিনিয়রশিং অদুগী পাউখুম থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কবা খঙহনখিবনি।

পাউখুমশিং অদুগী মতুংইন্না আই ও এনা হ্বাইট পেপর অমা দ্রাফ্ট তৌদুনা লৈবাক অসিদা শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী মরী লৈনবা কোচশিংগা ত্রেনিং মখা তানা চথবা য়ানবগী থবক থৌরমশিং অদু পায়খৎকদৌরিবনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ঈ-মেলগী খূৎথাংদা চহী খুদিংগী পীবা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দশিংগী নোমিনেসনশিং পীখৎলক্নবা খঙহল্লক্লি

ন্যু দিল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা চহী খুদিংগী পীবা শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রজিব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দ য়াওনা অতোপ্পা দিসিপ্লিনশিংগী মনা পীননবা শান্নরোয়শিংগী নোমিনেসন অদু ঈ-মেলগী খূৎথাংদা পীখৎলক্কবা খঙহল্লক্লি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী এপ্রিল থা হৌরকপদা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ পীননবগী থবক থৌরম পুম্নমক পায়খৎপা হৌবা অদু হন্দক্কী ওইনদি থা অমা চোন্থরগা মে থাগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা নোমিনেসনশিং পীখৎলক্কবা হোৎনরি।

ঙসি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না স্পোর্টস এৱার্দ ফংগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুগী মমিং মথা, শান্নরোয় মশামক্না সাইন তৌরবা মতুং মখোয়বু রিকমেন্দ তৌরক্লিবা ওথোরিটি অদুগী মায়কৈদগী স্কেন কোপি ওইনা ঈ-মেল খূৎথাংদা জুন ৩ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কবা খঙহল্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা জুন ৩গী মতুংদা ফংলকপা নোমিনেসনশিং অদুদি মিনিষ্ট্রি অসিনা খন্নরোই হায়রি।

নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ অসি মখল য়াম্না লৈরি। খ্বাইদগী ৱাংবা মনা অদুনা রজিব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দ ওইরগা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী ওইনা অর্জুন এৱার্দ য়াওরি। কোচশিংগী ওইবা দ্রোনাচার্য এৱার্দঅমসুং ধ্যানচান্দ লাইফ টাইম কন্ত্রিব্যুসন এৱার্দসু পীগদৌরিবনি।

চৎলিবা কুমজা ২০২০গী ওইনা অর্জুনা এৱার্দ অমসুং রজিব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দ অসি শান্নরোয় অমনা কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী থাদগী হৌরগা দিসেম্বর ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদু য়েংলগা পীগদৌরিবনি।

করিগুম্বা শান্নরোয়শিং অদুনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সিগী মায়কৈদগী নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সিনা সেম্পলশিং কলেক্ট তৌরগা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা অথিংবা থমখ্রবা পোৎয়ানশিং শীজিন্নরম্বগী রেকোর্দ লৈরবদি নোমিনেসনশিং অদু কক্কদৌরিবনি।

রজিব গান্ধি রেত্ন এৱার্দ অসি শান্নরোয় অমদা পীগদবনি। লোয়ননা মসিদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ ৭.৫ য়াওরি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা ফজবা শান্নরোয়শিংগী ওইনা পীগদৌরিবা অর্জুনা এৱার্দতা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ ৫ লৈগনি। হৌখিবা চহীদা খেল রত্না এৱার্দ অদু পেরালিম্পিয়ন দিপা মালিক অমসুং রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা য়েন্নখি।

# জর্মনিগী হেল্থ মিনিষ্টর লৈবাক অদুদা ফুটবোল মখা তানা চথবগী প্লানদা শৌগৎলি, শান্নরোয় কালোগী মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে



বর্লিন, মে ০৫ (এজেন্সী) : জর্মনিগী হেল্থ মিনিষ্টর জেন্স স্পানননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেস লিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লাক্কদবা নুমিৎ ১০নি মনুংদা মখা তানা চথনবগী ৱারেপ অদুদা শৌগৎখ্রে। অমরোমদা হর্থা বর্লিন ক্লবকী শান্নরোয় সলোমোন কালোনা ত্রেনিংদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা খূৎ শোক্লখিবগী মওং অদুদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্টর জেন্স স্পানননা ঙসি লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা রেদিও ষ্টেসন দোইসলেন্দফঙ্ককা ৱারী শানবা অমদা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী বুন্দেজলিগানা পায়খৎলক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মতম শাংনা লেপ্লুরবা লীগকী লেমহৌরিবা মেচশিং অদু হৌননবা হোৎনরিবা অসি অচুম্বা ৱারেপনি। মহাক্কী মায়কৈদগী শৌগৎলি। মসিনা অতোপ্পা প্রোফেসনেল স্পোর্টসশিংনসু মতৌ তম্বা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বুন্দেজলিগাদা শরুক য়ারিবা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ত্রেনিং সেন্টরদা ত্রেনিং মখা তানা চথবগী অয়াবা লৈখ্রবা মতুং মমাঙগী মেচতা সস্পেন্দ তৌখিবা হর্থা বর্লিন ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় সলোমোন কালোনা ঙরাং ত্রেনিং চথবদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা লৈঙাক অদুনা থম্লিবা হায়জিনগী কাঙলোনশিং অদু থুগাইদুনা খূৎ শোক্লখি হায়বা ৱাফম অদুদা জর্মন হেল্থ মিনিষ্টর জেন্স স্পানননা কন্দেম তৌরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, জর্মন ফুটবোল লীগকী মায়কৈদগী লৈবাক অদুগী চান্সেল্লর এঞ্জেলা মার্কেলনা হয়েং তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৬কী লুচিংবশিংগা ভিদিও কনফরেন্সকী মতেংনা ৱারী শানরবা মতুং লৌরকপা ৱারেপ অদুনা বুন্দেসলিগাগী লেমহৌরিবা মেচশিং অদু মে ১৫দগী হৌননবা পান্দম থম্লি।

নাকল অমরোমদা বুন্দেসলিগাগী মখা তাবা মেচশিং অদু হৌননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদুদা ঙরাং মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা এফ সী কোনগী মায়কৈদগী মীওই অহুম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা অমদি অতোপ্পা কোচ অমসুং অতোপ্পা ক্লবশিংগী কোচ, শান্নরোয়শিং অমসুং বেকরুম ষ্টাফ টেষ্ট তৌবদা তরেৎ পোজিটিভ ওইরকপা অদুনা অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লি।

হর্থা বর্লিনগী শান্নরোয় সলোমোন কালোনা মহাক্কী শান্নরোয়শিংগা ত্রেনিংদা খূৎ শোক্লরুবগী মতাংদা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী খুদক্তা মহাক্লা ক্লব অসিগা লৈরিবা কোন্ত্রেক্ট অদু সিজন লোইদ্রিফাওবা সস্পেন্দ তৌখি। ৱারেপ অদুদা জর্মন হেল্থ মিনিষ্টর জেন্স স্পানননা অফবা খোঙথাংনি হায়না লৌরকপা লৈখি।

য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহনবশিংগী মনুংদা জর্মনিদা অতোপ্পা লৈবাক্লা চাংদম্নরুবদা খরা হন্থনা লৈরি।

বুন্দেসলিগা অমসুং অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা টুর্নামেন্টতা পূন্না ক্লব ৩৬না শরুক য়ারি। হায়রিবা ক্লবশিং অসিগী শান্নরোয়শিং, কোচ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ পুম্নমক চাং নাইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি টেষ্ট তৌগদবনি হায়বগী অককবা কাঙলোন অমা পীদুনা লৈরিবনি।

জর্মনি হেল্থ মিনিষ্টর জেন্স স্পানননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ুরোপকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ৫গী মনুংদা বুন্দেসলিগানা অহানবা ওইনা লেমহৌরিবা লীগ অদুগী মেচশিং অককবা হকশেলগী কাঙলোনশিং ঙাক্লা মখা তানা পাঙথোকপনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু তমজনফম অমা ওইহনবা পাম্লি হায়না রেদিও ষ্টেসন অদুগা ৱারী শানবদা মখা তাখি।

# আই ঈ দি এফ এগী ২০২০-২১ সিজনগী ত্রান্সফর অমসুং লোন হৌরগনি

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ২৪দা থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট (ইন্টর ক্লব) কী শান্নরোয়শিংনা ক্লব অমদগী অতোপ্পা ক্লব অমদা ত্রান্সফর অমসুং লোন চৎলিবা কুমজা ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা জুন ২০দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা হৌরগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ক্লব অমদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা অতোপ্পা ক্লবতা শান্নখিবা নৎত্রগা লোন ওইনা চৎখিবগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মপান কাংজেবুংদা লৈবা এসোসিএসনগী চেম্বরদা জুন ২০দগী ৩০ ফাওবগী অয়ূক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ত্রান্সফর অমসুং লোনগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিনা পীরকপা ক্রাইটেরিয়াশিংগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট লীগতা য়াওদবা শান্নরোয়শিংগী ত্রান্সফর তৌবা, লীগ অসিদা শান্নরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ত্রান্সফর তৌনবা অমসুং মণিপুর ষ্টেট লীগতা য়াওদবা শান্নরোয়শিং অমদি য়াওরিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং ত্রান্সফর তৌবনি।

মখা তানা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অদুনা ফোঙদোরকপদা ত্রান্সফর অমসুং লোনগী এপ্লিকেসন ফোর্ম মেনশিনবা অমদি রেজিষ্টর তৌরবা মতমদা শান্নরোয় মশামক য়াওগদবনি হায়রি।

লোয়ননা এপ্লিকেসন ফোর্ম অদুদা শান্নরোয়শিংগী পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অনী লোয়নরক্কদবনি। অমরোমদা, প্লেয়রশিংগী সেন্ত্রেল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টমগী মখাদা মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরশিং অদু ত্রান্সফর অমসুং লোন চৎপা মতমদা য়াওহল্লক্কদবনি হায়রি।

ত্রান্সফর নৎত্রগা লোন তৌগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুনা মহাক্লা হান্না য়াওরম্বা ক্লব অদুগী মায়কৈদগী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট য়াওগদবনি। লোয়ননা নৌনা শরুক য়াগদৌরিবা ক্লবশিং অদুগী মায়কৈদগীনা কোন্ত্রেক্ট পেপর অদু লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা শান্নরোয়শিংনা ত্রান্সফর অমসুং লোন তৌবা মতমদা লুপা ২৫০০গী ফী অমা ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মীংদা বেঙ্ক দ্রাফ্ট নৎত্রগা বেঙ্কর চ্যেকতা থিগদবনি হায়রি। ক্লব অমসুং শান্নরোয়শিংগী রিন্যুএল ফী লুপা লিশীং ৩ পীথোক্ত্রবদি ত্রান্সফর অমসুং লোনগী এপ্লিকেসনশিং অদু লৌরোই হায়রি।

# সাউথ এসিয়ন জীট কুনেদো য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস):

জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ইম্ফালদা ওগষ্ট ৭তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অনীশুবা সাউথ এসিয়ন জীট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ ২০২০ য়ৈথোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শান্নবগী থবক থৌরমশিং পুম্নমক লেপহনখ্রবা মতুংদা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইরগা ইম্ফালদা ওগষ্ট ৭তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অনীশুবা সাউথ এসিয়ন জীট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ ২০২০ লায়না লাইচৎ অসিগী ফীভম লাকশিল্লবা মতুং নৌনা লেপ্পা অনৌবা মতম অমা পীদ্রিফাওবা য়ৈথোক্লে হায়রকপনি।

# হোকি ইন্দিয়ানা ২০২১ নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ য়ূম্বু ওইনীংবশিং কৌরক্লি

ন্যু দিল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদবা নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ য়ূম্বু ওইনীংবশিংগী মায়কৈদগী হোকি ইন্দিয়াদা মখোয়গী এক্সপ্রেস ওফ ইন্টরেষ্ট পীখৎলক্কবা খঙহল্লক্লি।

হোকি ইন্দিয়াগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা কুমজা ২০২১ নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ্তা নত্তনা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা ইন্টর দিপার্টমেন্ট নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমসুং একাদেমি নেসনল চেম্পিয়নশিপকী য়ূম্বু ওইনীংবশিংগী এক্সপ্রেসন ওফ ইন্টরেষ্টসু কৌরক্লি।

১১শুবা হোকি ইন্দিয়া নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী য়ূম্বু ওইনবগী এক্সপ্রেসন ওফ ইন্টরেষ্ট পীখৎলকপগী অরোইবা নুমিৎ অদু চৎলিবা থা অসিগী ১১ ফাওবনি। লোয়ননা অহানবা হোকি ইন্দিয়া ইন্টর দিপার্টমেন্ট নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১ অমসুং অহানবা হোকি ইন্দিয়া একাদেমি নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১গীনা জুন ৫ ফাওবা ওইগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

সেনিয়র মেন অমসুং ৱিমেনগী কেটেগোরিগী টুর্নামেন্ট অদু কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১দগীনা এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মনুংদা ওইগদবনি হায়রি। অদুগা জুনিয়র/সব জুনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন কেটেগোরিগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুনা ফেব্রুৱারী ১৫দগীনা এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মনুংদা ওইগদবনি। অককবা মতম অদু য়ূম্বু ষ্টেট অদুগা হোকি ইন্দিয়াগা তানরগা লেপকনি হায়রি।

**/EMPLOYMENT NEWS**

- মশাগী চহি ২৫ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা MBA/Post Graduate + 3 yrs exp. লৈরবা মীওই ২ (অনি) Dy. Manager ওইনা পামজৈ।
- মশাগী চহি ২২ দগী ২৮ ফাওবদা লৈবা Graduate Passed তৌরবা অমসুং Unmarried ওইবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Thoubal, Moirang, Sekmai, Nambol, Samurou অমসুং Imphal Branch Keishamthong গা খ্বায়দগী নক্লনা লৈবা Office Assistant ওইনিংবা মীওই অনি-অনি পামজৈ।
- 2 Wheeler Mechanic + 5 yrs exp. লৈরবা মীওই ১ (অমা) অমসুং Mechanic কী Helper ২ (অনি) পামজৈ।
- মশাগী চহি ১৮ দগী ২২ ফাওবদা লৈবা Car Wash Centre অমসুং Tyre Workshop কি Helper অনি-অনি পামজৈ।
- Car Driver ২ (অনি), Iron Welding Mistry ২ (অনি), Grade-IV ২ (অনি), Brick Mistry অমসুং Brick Jugali অনি-অনি পামজৈ।

*Please Contact:-* **L.G. Motors**
Khagemppali Huidrom Leikai, Imphal West
# 8731978490 / 9774495994

HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com